**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 16-08-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) নোংচুপ বেঙ্গলগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতাল থৌদোক্কা মরী লৈননা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন্না হয়েংদগী হৌরগা পুং ২৪ লৈবাক শিনবা থুংবদা মথৌ তৌরোই হায়রি।

২) য়ুনাইতেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অলফা)না অসামদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা পীবীদনবা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা আপীল তৌরি।

অমসুং

৩) ইসরোনা ঙসি আর্থ ওবজার্ভেসন সেটেলাইট ও-আইট ঙসি শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী থাগৎলগনি।

------

বেঙ্গল ঃ নোংচুপ বেঙ্গলগী আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালদা অমাং অতা থোকহল্লম্বা থৌদোক্কা মরী লৈননা মীওই ৯ পুলিসনা ফারে।

হোস্পিতাল অদুগী নুপী দোক্তর অমা ইজৎ মাংহল্লবা মতুং তমথিনা হাৎতোল্লম্বা থৌদোক অদুবু থিজিন্নবগীদমক সি.বি.আইগী টিম অমা ঙরাং মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতাল অসিদা থুংখ্রে। সি.বি.আইগী অতোপ্পা টিম অমনা নোর্থ ত্বেন্তিফোর পরগনাজগী সোদেপুরদা লৈবা নুপী ডোক্তর অসিগী

ময়ুমদা চত্তুনা মমা মপাগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখি। সি.বি.আইগী পাউনা হায়-থৌদোক অসিগা মরী লৈননা ঙরাং দোক্তর ৮ ৱাহং পাডহং চথখি। অশিবা হকচাং অদুবু পোষ্ট মোর্টেম তৌখিবা দোক্তর অহুম অমসু ৱাহং পাউহং চথখি। সি.বি.আইনা আর.জি.কর মেদিকেল কলেজ অমসুং হোস্পিতালগী হান্নগী সুপরিন্টেন্দেন্ট ডাঃ সঞ্জয় বসিস অমসুং চেস দিপার্টমেন্টকী হেদ ডাঃ অরুননাভা দত্তসু সি.জি.ও কমপ্লেক্সতা ৱাহং পাউহং চথখি।

ডোক্তর নুপী হাৎলম্বা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ঙরাং নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমদা মহৈরোইশিংনা চথখিবা খোঙজংদা শকখঙদবশিংনা মখোয়দা চথুরকপা থৌওং অমদি কলেজ অদুদা মাং তাকহনবগী থৌদোকশিং থোকহল্লকপা অদুবু য়ানিংদবা ফোংদোক্তুনা ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন্না হয়েং অয়ুক পুং ৬ তগী নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা পুং ২৪ গী ওইনা ডোক্তরশিংনা মথৌ তৌদবা হায়না ৱারেপ লৌখ্রে। অদুমওইনমক, তঙাইফদবা থবক থৌরমশিংদি মখা তানা চথখিগনি হায়রি। ও.পি.দিশিং মহৌশাগুম মথৌ তৌরোই। হায়রিবা খোঙজং অসি ডোক্তরশিংনা মথৌ তৌরিবা মফম খুদিংমক্তা চৎনগনি হায়না ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসনগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

অলফা ঃ যুনাইতেদ লিবরেসন ফ্রন্ট ওফ অসাম (অলফা)না অসামদা চাওখৎ থৌরাংগী থবক থৌরমশিংদা অয়েৎপা পীবীদনবা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা আপীল তৌরি। অলফা (ইন্দিপেন্দেন্স) গ্রুপনা নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা অসাম শিনবা থুংবদা বোম ২৪ থমলে হায়না মিদিয়াদা ফোংদোরকপা অমসুং রাজ্য অদুগী তোঙান তোঙানবা মফম ৮ দগী বোম মানবা মচাকশিং ফাগৎখ্রবা মতুংদা ৱাফম অসি মহাকা ফোংদোরকপনি। মুখ্য মন্ত্রিনা রাজ্য অসিদা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিংদা থিন্থহনগদবা অমদি অকি তুজংবা পোকহন্নবা থবক থৌরমশিং য়ারিবা মখৈ তৌদনবা অলফা ইন্দিপেন্দেন্সকী লুচিংবা পরেস বরুৱাদা আপীল তৌরি।

মহাকা হায়- টাটা গ্রুপনা রাজ্য অসিদা সেমি কন্দক্তর ইন্দষ্ট্রি পুশিল্লক্লি অমদি তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং পায়খৎনবা শেল থাদরক্লি। চহি কয়াগী মতুংদা রাজ্য অসিদা চাওখৎপা অমসুং মাঙলোমদা চংশিনবা হৌরক্লি। মরম অদুনা অসিগুম্বা তাঞ্জা অসিদা মীয়ামা মীপাইগদবা অমদি কম্পনিশিংনা শেল থাদহন্নিংদনবা থৌশিলশিং তৌরোইদবনি। শ্রী হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মনা হায়- রাজ্য অসিদা থবক ফংদ্রিবা নহা লাখ ১৪ রোম লৈরি। মরম অদুনা করিগুম্বা ইন্দষ্ট্রিশিং অসামদা লাক্ত্রবদি রাজ্য অসিগী নহাশিং খা ভারতকী মফম কয়াদা সেক্যুরিতি গার্দ ওইনা থবক তৌবা চৎখিবা তাবনি। মহাকা হায়- হিরম খুদিংমক ৱারী শান্নদুনা লোইশিনবা হায়বসি মহাক্কী অপাম্বনি।

মরক অসিদা, অসামগী দি.জি.পি- জি.পি. সিংহনা হায়- পুলিসনা রাজ্য অদুগী মফম শিনবা থুংবদা পাক্তকনা থিবা হুম্বগী থবক চখখি। মদুদা গুৱাহাতিগী মফম অনিদগী চিংবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি। লখিমপুর, শিবসাগর, নালবারি অমসুং নাগাউনদগীসু তোঙান তোঙানবা পোৎলমশিং ফাগৎপা ঙমখি

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা শিন্দুনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিং হর ঘর তিরঙ্গা অভিয়ান অমসুং ৭৮ শুবা নীংতম ন্মিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি। নীংতম নুমিৎ পালনগা মরী লৈননা চান্দেল জিলাগী চকপিক্সরোংদা লৈবা পিছ হেরিতেজ ওরফানেজদা অসাম রাইফলসনা তঙাইফদবা পোৎলমশিং য়েন্থোকখি।

অসাম রাইফলসনা পাৎশোইগী ও.সি, থৌবাল অমসুং ওইনামগী মৈরা পায়বীশিং, ইমা কৈথেলগী ইমাশিং, চন্দ্রখোংগী য়ুথ ক্লব, লিলোংগী সিভিল সোসাইতি ওর্গনাইজেসনশিং, নোংমাইখোং, কৈনৌ, হৈনৌপোক, নমপীসা, লুংহর, নিউ তুসোম, সাংজিং অমসুং নমবাসিগী খুঞ্জাশিংগসু ৱারী শাখি হায়রি।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী মোইরাংদা লৈবা আই.এন.এ কমপ্লেক্সতা ৭৮ শুবা নীংতম নুমিৎ পালন থৌরম পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা আই.এন.এ

ম্যুজিয়মগী ক্যুরেটরনা লুচিংদুনা ভারতকী মচু অহুমগী ফিরাল পাইহনখি।

ৱেব সাইট (এল)ঃ ববিনা হোস্পিতাল খাবৈশোইদা ফংহল্লিবা অনা লায়েংগী খুদোংচাবশিং মীয়ামদা খঙহন্নবা হোস্পিতাল অসিগী ৱেব সাইট অমা ঙরাং নীংতম নুমিৎ পালন থৌরমগা মরী লৈননা হাংদোকখ্রে। হোস্পিতাল অসিগী কনফরেন্স হোলদা হাংদোকখিবা ৱেব সাইট দব্লিউ দব্লিউ দব্লিউ দোট ববিনা হোস্পিতাল দোট কোমদগী মীয়ামা হোস্পিতাল অসিদা পীরিবা হকশেলগী খুদোংচাবশিং খঙবা য়াগনি।

ইসরোঃ ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো)না ঙসি আর্থ ওবজার্ভেসন সেটেলাইট ওর্বিত (ই.ও.এস)ও-আইট ঙসি শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী এস.এস.এল.ভিগী মতেংনা থাগৎলগনি।

সেটেলাইট অসি অযুক পুং ৯ মিনিত ১৭ চৎপা মতমদা থাগৎকনি। সেটেলাইট পুবা এস.এস.এল.ভি অসি কাপখৎত্রিঙৈগী মমাংওইনা ঙসি নোংঙাল্লমদাই পুং ২.৪৭ তগী পুং ৬ মখায়গী ওইনা কাউন্ট দাউন হৌখ্রে। এস.এস.এল.ভি-দি-থ্রি ই.ও.এস.ও হায়না মীংথোনবা মিসন অসি এস.এস.এল.ভিগী ওইনা অহুমসুবা দিভলপমেন্টেল ফ্লাইটনি।

ভাজপায়ঃ লৈবাক অসিনা ঙসি হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অতল বিহারি ভাজপায় লৈখিদবগী কুমওন থৌরমদা শ্রদ্ধঞ্জালি কৎলি। ভারর রতা, পদমা-বি-ভুসন পীদুনা ইকায় খুমখ্রবা হান্নগী প্রধান মন্ত্রি অসি ইং কুমজা ২০১৮ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা লৈখিদবনি। নিউ দিল্লিদা মহাক্কী সমাধি- সাদেব অতলদা অযুক অঙনবদগী হৌনা লাইশোল থৌরমশিং পাঙথোক্লি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অতল বিহারি ভাজপায়গী সমাধিদা চত্তুনা লৈ-শু কৎকনি।

সম্মিৎ ঃ ভারতনা য়ুম্বু ওইদুনা অহুমসুবা ভোইস ওফ গ্লোবেল সাউথ সম্মিৎ হয়েংদগী হৌরগনি। মীফম অসিগী হিরমনা- এম্পৱারদ গ্লোবেল সাউথ ফোর এ সষ্টেনেবল ফ্যুচর হায়বসিনি। কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়- মমাংগী মীফমদা খন্নখিবা ৱাফমশিং মরুওইনা মালেম অসিদা থোক্লিবা মুকবা, ফুড অমসুং ইনর্জি সেক্যুরিতি অমদি ক্লাইমেত চেঞ্জগী ৱাফমশিংদা পাকথোক চাউথোকা খন্নবগী তাঞ্জা ওইগনি। মীফম অসিদা গ্লোবেল সাউথগী লৈবাকশিংনা মায়োকরিবা খুদোংচাদবশিং খন্নদুনা চাওখৎ লম্বীরোমদা চংশিন্নবা ৱাফমশিংসু খন্নগনি হায়রি। মন্ত্রালয়না হায়- মমাংদা পাঙথোকখিবা মীফমগুম হন্দক্কী মীফম অসিসু ভারচুয়েল ওইনা পাঙথোক্কনি। হৌদোকপগী মীফমদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি শরুক য়াগনি।

নোং ঃ ইন্দিয়ান মেট বিভাগনদা হায়রি- লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা খা ভারতকী মফম কয়াদা অকনবদগী য়ামা কনবা নোং চুগনি। চেরোল অদুনা হায়- অৱাং ভারত- হরিয়ানা অমসুং রাজস্থানগী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি মরিনি অসিদা অকনবা নোং চুখিগনি। লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা ওরিষাগী মফম কয়াদা পাক্তকনা নোং কন্না চুখিগনি। অরুনাচল প্রদেশ, অসাম অমসুং মেঘালয়দনা থা অসিগী ১৯ ফাওবা অকনবা নোং চুখিগনি। নোংচুপ থংবা হিমালয়গী লমদমশিং, উত্তর প্রদেশ, হিমাচল প্রদেশ অমসুং নোংপোক ভারতকী মফম কয়াদা লাক্লিবা নুমিৎ ৬ নি অসিদা নোং কন্না চুখিগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

নীংতম নুমিৎ পালনগী ছুতি ওইখিবনা ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং অমত্তা ফোংনদ্রে। অদুমওইনমক, সেনাপাতিদা ফোংবা হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতদি- সেনাপতি জিলাদা নীংতম নুমিৎ পালন পাঙথোকখিবা অমদি থৌরমদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা নুপীশিংবু অশোই অঙাম য়াওহন্দনা থমবা থবক লৌখৎপগী

ৱাফমনা অহানবা হেদলাইন তৌরি। মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকপা শোইদনমক্কী ঙমগনি, লমদম অসি ত্রাইব ৩৪ না খুন্দারিবা রাজ্যনি হায়বা পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। নেসনেল হাইৱে ত্বেন্তি নাইনদা চীং নীংখায়বদগী লম্বী চৎপা য়াদবা অদু শেমজিন্নবগীদমক ওগষ্ট ১৬ তগী ১৮ ফাওবা লম্বী থিংজিল্লগনি হায়বা পাউ, নাগালেন্দ সরকারনা নাগাশিংগী ৱাফম অথুবা মতমদা লোইশিন্নবা হোৎনরি হায়বা মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওগী ৱাফম, কবুই অমসুং রোংমৈ মান্নদে অমদি নাগা জাতিগী মনুং চনদে হায়বা কবুই য়ুনিয়নগী ৱাফম, ইরাংনা শোকহল্লবা মণিপুরদা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি চৎনপীনবা রাহুল গান্ধিনা হায়জখিবা ৱাফম হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসকী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিউ মেলদা- জোয়সন কে.ঐচনা এন.এস.য়ু.আই মণিপুরগী অহানবা ত্রাইবেল প্রসিদেন্ট ওইরগনি হায়না অনিসুবা হেদলাইন তৌরি।

তৌসেম সব-দিভিজন ষ্টুদেন্টস ওর্গনাইজেসন্না সব-দিভিজন অসি ফিভম শোক্লে, নীংতম নুমিৎ থৌরমদা এস.দি.ওগী ক্বাটর লৈতবনা এস.দি.ও মশা লৈতবদগী জাতিগী ঈশৈ শকখিদে হায়বসিনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি। তমেংলোং জিলাদা পাঙথোকখিবা নীংতম নুমিৎ থৌরমদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াফিবা অংসিম দাংসাৱানা জিলা অমা চাওখৎহনবা হায়বসি পুন্না হোৎনমিন্নরবা মতমদা ওইথোক্কনি হায়না পাউনা অনিসুবা হেদলাইন তৌরি। বঙ্গলাদেশকী হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসিদা ফ্রিদম এন্দ লিবরতি লৈত্রে হায়বা ভারতকী চীফ জষ্টিস দি.ৱাই, চন্দ্রচুরনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা পাউচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওহনা ফোংলি।

------